৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

এস এস য়ু শিংজমৈনা এ এফ সী অথোকপমবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

62nd CC Meet 2019-20
Today Match
SSU - AFC
4 - 1
(26-12-2019) (Time : 1:45)
MA Kangpokpi vs FC Lamjao

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস এস য়ু শিংজমৈনা এ এফ সী অথোকপমবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ এফ সী অথোকপম অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈ লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না মাঙজিল থানা শান্নরকখি। মেচকী ১৫শুবা মিনট ফাওবদা টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

মখা তাবা মিনটতা এস এস য়ু শিংজমৈনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া চথুরকখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী শান্নরোয় ঐচ সিতল জর্সি নম্বর ২৪দা এ এফ সী অথোকপমগী ষ্ট্রাইকরনা দি বোক্স ময়াদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা ফ্রী কিক অমা পীখি। ফ্রী কিক অদু এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৩ প্রেমজিৎনা কাওবদা কিপরদগী নাম্থোরকপা বোল অদু সিতলনা কাওশিন্দুনা এস এস য়ু শিংজমৈগী একাউন্ট হাংদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা এস এস য়ু শিংজমৈনা বোল হেন্না হেন্না পায়দুনা এটেক চথুরকখি। শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী অনীশুবা স্কোর টি ঐচ প্রেমজিৎ জর্সি নম্বর ৩না চনখি। মিনট অমা কান্নরগা এ এফ সী অথোকপমগী শান্নরোয় এম দি ফয়াজুদ্দিন জর্সি নম্বর ৭না একাউন্ট হাংখি। মখা তাবা মিনটশিংদা এস এস য়ু শিংজমৈনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা এস এস য়ু শিংজমৈগী অহুমশুবা স্কোর এন বিনোদখনা জর্সি নম্বর ২১না চনখি।

এস এস য়ুনা অকনবা প্রেসরগা লোয়নননা এটেক চথুরকপনা মেচকী লোইরমদাই ৯০ প্লস থ্রী চৎপা মিনটতা ফ্রী কিক অমা এ এফ সীগী দি বোক্স ময়াদা ফংখি। ফ্রী কিক অদু টি ঐচ চীংখৈঙানবনা কাওদুনা গোল ওন্থোক্তুনা পাঞ্জল ৪-১দা মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা এ এফ সীনা গোল চনবা ঙমদবনা এস এস য়ুনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখি।

য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯

ৱাই দল্লিয়ু সীনা ক্রিপসাবু পাঞ্জল ২-০দা, ঈ এস য়ুনা লমলাইবু পাঞ্জল ১৪-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস অনীনা খুৎশম্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথুরিবা য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ক্রিপসাবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা ঈ এস য়ুনা লমলাইবু পাঞ্জল ১৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ক্রিপসা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা বোল হেন্না পায়দুনা মাঙজিল থানা শান্নরকখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয় হোইনৈহাট জর্সি নম্বর ২০না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। ক্রিপসাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী শান্নরোয় হোইনৈহাট জর্সি নম্বর ২০না অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা ক্রিপসানা শোৎথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা অকনবা শাফুগা লোয়নননা হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদবদগী মেচ অদু ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা লমলাই অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ঈ এস য়ুনা লমলাইবু পাঞ্জল ১৪-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরমখি। ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস উমা জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অনী, জি অঞ্জলি জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অনী, এন প্রিয়াঙ্কা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অহুম, এল অঞ্জু জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অহুম, ভুংলোনচিং জর্সি নম্বর ১৪, হিংনৈলাম জর্সি নম্বর ৮, এন সনধ্যা জর্সি নম্বর ১৮, এন গিতাঞ্জলি জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চনখি।

ঙসিগী মেচ অসিগী কম্মিস্নর এল জয়কুমার, সী ঐচ কৈলানি চনু, রেফরি দল্লিয়ু ইবোয়াই, গোকুলানন্দ, এসিস্টেন্ট রেফরি কে রঞ্জিৎ, টি ঐচ কর্নজিৎনা মেচ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ৮ তাবদা পি এল এল অমসুং আই সী এস এনা অহানবা গ্রাউন্দদা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দ অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা দল্লিয়ু এফ এ অমসুং অম্মানা শান্নগনি হায়রি।

১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

নপসা খা ইম্ফালনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা নপসা খা ইম্ফালনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অম্পয়র জয়ন্ত অমসুং মিলননা ওইখি। মেচ অসিদা নপসা খা ইম্ফালনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী ওভর ১৫.৫ মায়োক্লবদা ওল আউট ওইদুনা রন ৬২ খক লৌবা ঙমখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী কুমারজিৎনা বোল ২৬ মায়োক্লবদা রন ২৯, প্রিয়োকুমারনা বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ৮ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নপসা খা ইম্ফালগী মায়কৈদগী দোরেননা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৫, সিমোননা ওভর ৪.৫ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নপসা খা ইম্ফালনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা অহানবা ইন্নিংসতা থমখিবা টার্গেট ৬৩ অদু ওভর ১২.৫ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৩ তুরগা য়ৌবা ঙমখি। নপসা খা ইম্ফালগী মায়কৈদগী বিপিননা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ২৫, ভোগেননা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ১৪ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী প্রিয়োকুমারনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা নপসা খা ইম্ফালগী শান্নরোয় দোরেননা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবা নপসা খা ইম্ফালদা শেলগী মনা লুপা ১৫,০০০ অমসুং ট্রোফিখুৎশিন্নখি। ৱিন্নরগী প্রাইজ অসি লিলোং হাওরৈবি কোলেজকী এসোসিএট প্রোফেসর ঈ ভোরোটনা দোনেট তৌরকখিবনি। রন্নর্স-অপ তাখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী এলদা শেলগী মনা লুপা ১২,০০০ অমসুং ট্রোফিখুৎশিন্নখি। মনা অসিনা সী এ য়ুগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এ হেরোজিৎনা দোনেট তৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সেরিজনা ৱাই দল্লিয়ু সী এলগী শান্নরোয় কুমারজিৎ মৈতৈনা রন ১০৭গা ৱিকেট ৫ লৌদুনা তাখি। মেন ওফ দি মেচ অমসুং মেন ওফ দি সেরিজকী মনানা এম ভি সী এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ মোহন্দাসনা দোনেট তৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট রন স্কোররনা সাইক্লোন টিমগী শান্নরোয় থোইথোইনা তাকি। হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা সাইক্লোনগী বাব্লু শর্ম্মনা তাখি। হায়েষ্ট রন স্কোরর অমসুং হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরগী মনানা অয়েকপম ওংবী জিবোলতানা দোনেট তৌরকখিবনি।

কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

ষ্টার ক্লব অমসুং বি এস য়ু কৈরাও দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৱাই দল্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ষ্টার ক্লব মোইরাং কম্পু অমসুং বি এস য়ু কৈরাও পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুকয়াদুনা চথুরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী৮শুবা মেচ ওইনা ষ্টার ক্লব অমসুং বি এস য়ু কৈরাও লম্বা তৌনখি। ষ্টার ক্লব অহানবা মেচতা এস এস য়ু সেক্তাগী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনা ঙসিগী মেচ অসি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংনবা অকনবা লম্বা তৌরকখি। লোয়নননা বি এস য়ুসু এস এস সী সেক্তাগা অহানবা মেচ শান্নখিবদা দ্রো চৎখিবনা মেচ অসি য়াম্না মরু ওইনা অকনবা প্রেসরগা লোয়নননা ফুল পোইন্ট ফংনবা শান্নরকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা খঙহৌদনা বি এস য়ু কৈরাওগী শান্নরোয় নোংথাং জর্সি নম্বর ১০না হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। ষ্টার ক্লবকী মায়কৈদগীসু ইক্বেলাইজ গোল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু বি এস য়ু কৈরাওগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কান্নবা ফংদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ষ্টার ক্লবকী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। লেপ্তুনা হোৎনরকপনা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ষ্টার ক্লবকী শান্নরোয় জেনসন জর্সি নম্বর ১২না একাউন্ট হাংদুনা ১-১দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এফ সী ইম্ফাল সিটি অমসুং ষ্টার ক্লব লম্বা তৌনরগন।

পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ঝরখণ্ডগী কোকারো ষ্টিল সিটিদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দগী ১২ ফাওবা চথুগদৌরিবা ইষ্ট জোন সেনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়াগদবা মণিপুর পৱরলিফটিংগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে।

খল্লবশিং অদুদি মেন্স সেক্সনগী কেজি ৫৯দা মাইবম ইবোমচা মৈতৈ, কেজি ৬৬তা সটিশ মৈতৈ, টি ঐচ সদানন্দ, কেজি ৭৪দা সোরাম সুনিলনি। ৱিমেন্স সেক্সনগী কেজি ৪৭তা কে ঐচ দেবিকারানি, এলাংবম দিল্লু, কেজি ৫৭কীদা এস চাওবা, এন জি তোম্বী, কেজি ৬৩গীদা কে থোইবী, এম ইবেমচা, কেজি ৭২গীদা মারজুনা, এলাংবম জেসিকা, কেজি ৮৪গীদা দিনেশ্বরি, মিরাবাই অমদি কেজি ৭২গীদা ৱাকিলানি। ওফিসল ওইনা নাওরেম সুসিলা, কোন্সম রোসিদা অমদি এন সুনিতা খনখ্রে। শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং জন্যুৱারী ৭তা ইম্ফাল থাদোক্কনি। লোয়নননা খল্লবশিংনা থা অসিগী ২৭ তা টি বি বি পি টি সীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদিবিল্ডরস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ওদিষা বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন্না শীনবা ১০শুবা ইষ্টর্ন জোন ২০২০ ভুবনেশ্বরগী কালপনা স্কারদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৮ অমসুং ১৯দা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবা মণিপুর টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৯গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা) গী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। লোয়নননা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২০ অমদি ফেদরেসন কপ ২০২০গী অৱাৎপা ৱেট কেটেগোরিশিংগীসু ট্রায়ল অসিদগী খনগনি। মণিপুর টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা অম্বাদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি অমদি অকৃপ্পা মরোল জেনরেল সেক্রেটরি নৎত্রগা অম্বাগী ওফিসতগী লৌবীয়ু হায়না ওল অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমলেম্বম সুনন্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): সলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯দা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা সলাই চেছ একাদেমিদা ৩শুবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি। হেন্না অকৃপ্পা মরোলগীদমক একাদেমিগী কন্টেক্ট নম্বর ৯৪৩৬৬১২৮৫২ নৎত্রগা ৭০০২৮৭৩০৮৪দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১৩ শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): রাজামুন্দরিদা থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা ৩০ ফাওবা চথুগদবা জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিনয়শিপ ২০১৯দা মণিপুরদগী নুপামচা ৮ অমসুং নুপীমচা ৫ পূন্না শান্নরোয় ১৩ শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি মৈরাবা লুৱাং, বিদ্যাসাগর সলাম, কে দিঙ্কু, কে ঐচ মঞ্জিৎ, এস জিএটচন্দ্র, পুন্সিবা য়েংখোম এম সিরজিৎ অমদি জোনি সিঙ্গামনি। নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুনা কে এস ঐচ মহেশ্বরি, ভিল্লিন্দা হুইদ্রোম, এল দাইনা, কে প্রিয়া অমদি সনানু মাইস্নামনি। ওফিসল ওইনা মেনেজরদা কে ঐচ রঞ্জিৎ, কোচ ওইনা এম রোমেশ লুৱাংনি হায়রি।

পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪(ঐচএনএস): পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লবনা শীন্দুনা পি ৱাই পি সি গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা পিদোনু কপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবমনা গোল্ডেন এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে, পি ৱাই পি সি (বি) পুংদোংবম অমসুং কে ৱাই এফ এ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবমনা গোল্ড এফ সি লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু পি ৱাই পি সি (এ)না গোল্ডেন এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি ৱাই পি সি (বি) পুংদোংবম অমদি কে ৱাই এফ এ লম্বা তৌনখিবা অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪(ঐচএনএস): সেকমাইজিং থোঙাম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন সেকমাইজিন থোঙামনা শীন্দুনা এস ঈ টি দি এ ক্লবকী শান্নবুংদা মথং চহীগী জনুৱারি ১৪দগী হৌদুনা ১৯ ফাওবা শুবা এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়াগদবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিএসনশিংনা মথং চহীগী জনুৱারি ১০ ফাওবগী মনুংদা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা এ এম এন এগী ওফিস নত্রগা এস ঈ টি দি এ সেকমাইজিন থোঙামদা ফোম পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৬০,০০০, ট্রোফি অমদি সাইটেসন পীগনি। রন্নর্সঅপতনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩০,০০০, ট্রোফি অমদি সাইটেসন; বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৫০০০, ট্রোফি অমদি সাইটেসন; বেষ্ট প্লেয়র অমসুং বেষ্ট লেটরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০০০, ট্রোফি অমদি সাইটেসন পীগনি হায়রি।

মণিপুর কুং-ফু টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর২৪ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা কুংফু স্পোর্টস এসোসিএসন ওফ মহারাষ্ট্রনা য়ুম্বু ওইদুনা সাই বাবা সেভাধম কানহেফাট, পুনে মহারাষ্ট্রদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম অসিনা মণিপুরগী কুংফু শান্নরোয় নুপা, নুপী পূন্না শান্নরোয় ৫৮না শরুক য়ারি। মণিপুর টিম অসিগী টিম মেনেজরনা এস রাজেশ্বর, টিম কোচনা এন ৱাশিংটন মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট টিম কোচনা এস রোহিটকুমারনি। অদুগা ওফিসল ওইনা টোম টি ভিগী বিষ্ণুপুর কোরেসপোন্দেন্টসু ওইরিবা ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেনসু য়াওরি।

LIVE MORE Vespa
PIAGGIO
aprilia SR 150
STORM-125
EASY LOAN AVAILABLE
MINIMUM DOWN PAYMET
INSTANT LOAN PROCESS
INSTANT DELIVERY
VESPA URBAN CLUB 125
T&C APPLY
TULASI MOTOR'S PVT. LTD.
Please Contact:- +91-9366953592/9366671957
HL-B/5837/29nov to 27jan

PREMIER SHOW on 30th Dec. 2019
Timing : 6 p.m. at BOAT

HOME FILMS PRODUCTION
# 9615553633
# 9383219758
BOITON LAKLE
Directed by HOMESHWORI
Story : KSHETRI SUBADANI
HL-B/5751/24dec-10jan

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com